ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯅꯤꯡꯊꯧꯀꯥꯕꯥ, ꯑꯣꯒꯁ꯭ꯠ ꯲꯰, ꯲꯰꯱꯸, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯱ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯱꯴꯷ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, ওগষ্ট ২০, ২০১৮, ইম্ফাল
৪১ শুবা চহী, ১৪৭ শুবা মশীং

ঐখোয়গী ইমালোল

ওজাশিংনা লোলয়ান য়াওবা পাউখুম শেম্বা য়েংশিনসি

মলেমদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংগী তোখায় তোখায়বা লোল লৈজৈ। লৈবাক অমদা লৈবা ফুরুপ কয়াগীসু তোঙান তোঙানবা লোল লৈজৈ। অদুবু ফুরুপশিং অদুগী মনুঙদা ফাওন-লোল হায়বা অমদি শোয়দনা লৈফম থোকই। অসিগুম্বা ফাওনা লোল অসিবু ঐখোয় পূন্নমক্না ওফিশল লেঙ্গ্যুএজ হায়রগা খঙনৈ। মণিপুর ইন্দিয়াগী অপীকপা ষ্টেট অমনি। স্কোয়র কিলোমিটর ২২,৩২৭খক্তমক পাক চাউবা ষ্টেট অসিদা গভর্নমেন্টনা শকখঙবা ট্রাইব ৩৩ লৈ। হায়রিবা ট্রাইব ৩৩ অসিগী মনুঙদা খরখক লোল মান্নজরবসু অয়াম্বদি মখোয় মখোয়গী তোঙানবা লোল লৈজৈ। নাগা ফুরুপকী মনুঙ চল্লিবা মাও, মরাম, তাঙ্খুল, অনাল, মরিংনচিংবসু মখোয় মখোয়গী তোখায় তোখায়বা লোলশিং লৈ। হায়রিবা ফুরুপ কাঙলুপশিং অসিগী লোলশিং অসি য়োকখৎপা হায়বসি মণিপুর গভর্নমেন্টকী অচৌবা থৌদাং লৈ। অদুবু কাঙলুপ মচা মচা ময়াম অসি পুনশিল্লগা মণিপুর ষ্টেট শেম্বা মরম্না ময়াম পূন্নমক্কী ওইবা ফাওনা লোল মথৌ তারকপদগী মতম অদুগী গভর্নমেন্টনা য়েলহৌঙেদগী ওইরকপা ফীভমশিং য়েংলবা তুংদা মীতৈলোলবু ষ্টেট অসিগী ওফিশল লেঙ্গ্যুএজ ওইনা লাউথোকখি। ষ্টেট অসিগী মীয়ামগী মরুওইবা লোল অমা ওইবতা নৎতনা মশাগী ময়েক লৈজবা লোলশিংগী মনুংদা অমা চল্লিবা মীতৈলোল/মণিপুরী লোল অসিবু লৈবাক অসিগী নিপানশুবা সেদ্যুল্ডদা চলহনগদবনি হায়বা মীয়ামগী ঈহৌ অমা অমুক লাকখি। পোলিটিকেল পার্টি খূদিংমক, সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিং, মহৈরোয়শিংগী অপূনবা খোঙজং অদুনা মরম ওইরগা কায়নথংদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা লোল অনীগা লোয়ননা মণিপুরী লোল নিপানশুবা সেদ্যুল্ডদা চনখ্রে। মণিপুরী লোল নিপানশুবা সেদ্যুল্ডদা চনখিবা নুমিৎ ওগষ্ট ২০ (কুমজা ১৯৯২গী ওগষ্ট ২০) অসিবু নীংশিংবা ওইনা চহী খূদিংগী মণিপুরী লোলগী নুমিৎ হায়দুনা লৈঙাক্লা শীন্দুনা অচৌবা থৌরম পাঙথোকই। নুমিৎ অদু ঙসিনি। লোল অসিবু নিপানশুবা সেদ্যুল্ডদা চলহন্নবা মপূং ওইবা থৌদাং লৌখিবা মতমদুগী মীয়াম অমদি খোঙজং অদুদা অৱাবা নংখিবা মীয়ামদা ঐখোয় পূন্নমক্না তঙাইফদবা অমা ওইনা ইকায় খুম্নবা উৎফম থোকই। অসিগুম্বা নুমিৎ অসিনা লাকপদা ঐখোয় করি তৌরগা, করম্না ঐখোয়গী লোল অসি চাউখৎহনগদগে হায়বদু নৈনগদবনি। মালেমগী ওইনা মাঙশিল্লক্লবা লোল কয়াগী মনুংদা মণিপুরী লোলসু য়াওরকপা য়াই হায়বসি ঐখোয় পূন্নমক্না নীংশিংগদবনি।

মণিপুরী লোল চাউখৎহন্নবা লৈঙাক্লা মচান্দা হোৎনৈ হায়না কয়ারক হন্না হায়জরগসু চহীগী ওইবা বজেটতা লোল চাউখৎননবা হাপ্লিবা শেনফম অসিনা তাক্লিবদি চীন্দনা অমা, খূৎনা অমা হায়বদুমক থোকই। মীওই লাখ খজিকখক্লা ঙাংনবদা ফাওবা ইংলিশ লোল খরা য়ানশিন, হিন্দি খরা য়ানশিন, বেঙ্গলি খরা য়ানশিন তৌদুনা কনাগুম্বা মতিক-ময়াই লৈবা মীওই খরদি পব্লিক প্লেটফোর্মদা কাখৎলগা ৱা ঙাংবদা মহাক্লা ঙাংলিবা ৱাফমশিং অদুগী তঙ্খায় অমরোমদি লোলয়ান ওইরে। মখোয়বু লমদমসিগী মতিক-ময়াই লৈবা মীওইনি হায়দুনা মণিপুরী লোলগী নুমিৎতা ৱা ঙাংননবা চেৱাউ পীবা অমসুং অতৈ থৌরমশিংদা অখঙ-অহৈশিংনি হায়না লৌরগা ৱা ঙাংহনবা হায়বসি লোল অসিগী মায়োক্তা লৈবা মীগী মতৌ অমা ওইরব্রা হায়বা ৱাহং লাকই। মরম অদুনা ঐখোয়না হেক য়ারিবমখৈ লোলয়ান য়াওদবা, মীঙোন্দা য়ারিবমখৈ তাংদবা ঐখোয় খক্তগী ওইবা লোলশিং শীজিন্ননবা অখন্নবা থৌশিল শেমগদবনি। খ্বাইদগী নুংঙাইতবা থৌদোক অমনা ক্লাস ৱানদগী গ্রেজ্যুএসন ফাওবগী থাক্তা মণিপুরী লোলবু মীতৈ ময়েক্তা ইথোল্লগা তম্বীবা হৌরে। অদুবু, ওজা ওইরিবশিংনা ক্লাস টৈনদা তল্লিবা মহৈরোয়শিংগী পাউখুম শেম্বা মতমদা লোলয়ান কয়ামরুম য়াওবা থেংনরিবা অসি অফবা নত্তে। অঙাংশিং অদুদসু ওজাশিং অদুনা লোলয়ান য়াওবা মণিপুরী লোল তম্বীরে হায়বসি চেনবা য়াররোইদবা খূদম ওইরবনি। মরম অদুনা স্কুলগী ওজাশিংনা মহৈরোয়শিংদা পীরিবা ৱাহংগী পাউখুমশিং অসিসু করম তৌরিবগে হায়বা মীলালগুম্বা লোল/ময়েক্কীদমক থবক তৌজরিবা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংনা য়েংশিনবগী তঙাইফদবা লৈরে। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি, ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা শকখঙবা লোল অমসু ওইরবা মীতৈলোল খঙদবা আই এ এস ওফিসর অমদি মণিপুর গভর্নমেন্টকী ইমপ্লোয়ী কয়ামরুম লৈরি। হায়রিবা ওফিসরশিং অসি থবক্তা চঙলকপা মতমদা মণিপুরী লোলগী ওইবা তোখায়বা সবজেক্ট অমা ওইনা দিপার্টমেন্টেল এগজাম থাহল্লবা মতুংদা পাস তৌরগা থবক তৌহল্লকপনি। মখোয়না মীতৈলোল ঙাংদবা হায়বসি পাঙথোকখ্রিবা দিপার্টমেন্টেল এগজাম অদু মওং চুমখিদে হায়বা অমা নৎত্রগা ঐখোয়গী লোল অসিবু থৌওই উশিৎতবনি হায়না লৌরোইদবগী মরম লৈতে। ইংলিশ লোলগী নৎত্রগা হিন্দি লোলগী চন্নফম লৈবা মফমদা অসিগুম্বা লোলশিং অদু ঙাংবদা অকায়বা করিসু লৈতে। মদু নৎতনা মীয়াম তিনবা থৌরম নৎত্রগা অতৈ লোল খঙজদবা, মীতৈলোল খক্তমক খঙজবা মণিপুরী মচাশিংনা তঙাইফদবা অমগীদমক মখোয়গীদা লাকপদা হিন্দি নৎত্রগা ইংলিশ লোলনা পাউখুম পীবগী চৎনবী অসি মমালোল/মীতৈলোল চাউখৎহন্নবগী থৌওং নত্তে। মণিপুর লৈঙাক্লা অহেনবা মীৎয়েং চঙবীদুনা মণিপুরী লোল চাউখৎহন্নবা হোৎনসি।

••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

ঐখোয় কয়াম কুইনা তুমিন্না লৈখিশিগে

ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চান্সেলর প্রোফেসর অদ্য প্রসাদ পান্দে মহৈরোই ঐখোয়গা চান্নদরে লৌথোকপীয়ু হায়বগী চয়েৎনবসিদা মতম কয়া লাইরিক তমদবগী খোইরাং খোইশাওননা লৈরিবা মরকসিদা শা-ষনগুম ফুবিবা চৈবিবা ঐখোয় কয়াম কুইনা তুমিন্না লৈখিসিগে। মহৈরোই হায়বসিদি ঙসিগীনা ইচা-ইশুনি, তুংগীনা অফবা খুদিংমক দাইত্য লৌগদৌরিবনি। মণিপুরগী ইশ্যূ খুদিংমক্তা মহৈরোয়, নহারোলশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনতা লাক্লি। মহৈরোয় মখোয়দি মহৈ-মশিং অমদুনা মহৈরোয় ওইনা অদুম লৈজসনু, করম্বা ষ্টেট করম্বা কন্ত্রিদা য়াওবগে মহৈরোয়শিংদা চৈথেং পীবা।

ঙরাংদনি *রোবিনহুৎ* কী চৈনা, য়ুমদগী স্কুল চৎপনি হায়না য়ুনিফোর্ম শেৎতুনা চৎখ্রগা থৱায়না পোস্থা ওইখিবা, মহাক লানফমগীদমক মখুৎতা খুৎলায় পায়দুনা চৎখিবা নত্তে। শিরবা মতুংদা মিংথোল কয়া পীবিদুনা মথৌনা ফবশিংদা চনবদু নত্তে ঐখোয়না পাল্লিবা। ইচাশিংগী মতু নাম্মা শোকপা পামদে। ঐখোয় হিংলিবসি ইচাশিংগীদমক্তনি। লৈবাকসিগী অঙম-অথৌ অমদি মপি মপাশিং মখোয়দা খক্তা ইস্থোপসু চুমদে। মহৈরোয় খুদিংমক্কী মমা-মপা অমদি মরী লৈনবা ওর্গনাইজেসন পুন্নমক থৌদাং অসি লৌমিন্নরসি।

মতাংসিদা পঞ্জনিংবদি য়ুনিফোর্ম শেৎপা ইচা-ইশুনা অফ-ফত্তা খুদিংমক ঙাকপি শেনবিরি। তৌবদবু শিবা য়াবা অশোক-অপন থোকপা খুৎলায়শিং শীজিন্নদবা অমদি ফজদবা ৱাহৈ-ৱাতা শীজিন্নবিগনু হায়বা ৱাফমসি থমজনিংই। হাদ উরিৎ নাপংবী নমানা কৌই তাদবী নপানা কৌই খুমদবী অদুঙৈ তাবুনুংগী পাউরৌ নীংশিংলকই। ঙসি হয়েংসিদা য়ানবা পুরক্লবদি পুন্নমক্কী য়াইফবনি নৎত্রবদি ঐখোয় পুন্নমক থৌদাং অসি লৌমিন্নরসি। ভি সীনা সঙ্গী মঙক কনবা, কনানা ঙম্বগে হায়বা চাংয়েং অদো ঙসিদি লাক্লে। মরমবু চারবদি ভি সী অমতা নত্তে চাম্মরকসু লৌথোকপা য়াই। মরাল লৈবু লৈরবসু, লৈবু লৈত্রবসু অমুক হন্না মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা হল্লক্তবা হায়বসিনা অফবা ওইগনি। খোইরাং খোইশাওনরবা মহৈরোই ইচাশিংগীদমক মমা ঐখোয় লৈরি।

নুমিৎ তাদে হায়নরিবা বৃটিশ সম্রাজ মণিপুরদগী হোই লাউদুনা মাইগৈ সলাই খণ্ডনা চেনখিবা অদুম্বা লৈবাক্লি। য়েক তরেৎ, সলাই তরেৎ, মাইচৌ তরেৎ পোকপী ইমা মণিপুরনি। তুংগী য়াইফনবগীদমক, ঙসিগী মহৈরোয় ইচাশিংগীদমক, অচুম্বা অনৌবা থৌদাং লৌমিন্নরসি।

অদোমগী- খুমনলৈমা, প্রসিদেন্ট
ইন্টরনেসনল মণিপুর মার্দস এসোসিএসন

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭৮

১। মৈতৈগী মুক্না লাই হাক্তক্তগী শান্নরক্লবা মহৈনি। লৈশং যাত্রাগী মমিং তাদবা লৈত্রবনি।
   (ক) লৈশং যাত্রাবু ৱাইথৌ শোয়দা মুক্না থাখিবা মীশক্তু কনানো?
   (খ) চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজনা চীং-তম অনীগী অপূনবা যাত্রানি হায়না লাউথোক্লম্বা ককচীং খুঞ্জাওগী যাত্রাদুগী মমিং হায়য়ু।
২। "কবিতা কবিতগী মপোৎ নত্তে কবিতনা ইজরবসু/অপাবা মীগীসুনি, অতাবা মীগীসুনি...।" ৱাফমসি কবি অমনা হায়রম্বনি। কবিদুগী মমিং হায়য়ু।
৩। "খল্লি মানা শ্রীকৃষ্ণবু লমচৎ কাম্বা নুপানি/অদুনা লৌশিনবা ঙমদে নুংগী অথূপ্পা ৱা/উম্মগতা মতোকই, উম্মবা তুংদা ওথোকই।" পরেংশিং অসি মশাগী মিংবু শীজিন্নদুনা ইগনবা কবি অমগী শৈরেংদগীনি। মহাক্তু কনানো?
৪। 'পোনগী চেক্লানি ঐ' কৌবা শৈরেং লাইরিক অদুগী অইবীদু কনানো?
৫। মণিপুরী ৱারীমচা খরবু আসামীজদা 'সরিয়হ ফুলর ঠাইখনত' হায়না হন্দোকখিবী অনুবাদিকা অদু কনানো? মমিং হায়য়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ৩০, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

লৌমীশিংগী কাখল

হীদাক্কী কান্নবসু লৌসি, হকচাংসু শোকহল্লোইসি; কাপ্লিবা হীদাকশিং পাম্বীগী ওইহনসি, মীওইবগী ওইহল্লোইসি

ডা: এম থোইথোই সিংহ

কালেন অমসুং নিংথমগী হৱাই মখলশিং কোলীহৱাই, পোঙহৱাই, হৱাইশাংবী, শীঙেল, নুংহৱাই, ডোলিকোস, লিমা, মোথ স্কালেট রনরনচিংবদা নত্তনা হৱাইউরী, হৱাইমুবী তেংনৌ মানবীনচিংবা পাম্বীশিং শম্না হায়রগা বীন্স হায়না খঙনবা হৱাই মখলশিংদা লায়না মখল কয়া তারি। লায়না মখলশিংসু ইমান মান্নে হায়বা য়াই। অয়াম্বা লায়নাশিংদি Mancozeb অমসুং Zineb কাপ্লগা কনবা ঙম্মী। অদুবু হৱাই মখলশিংসিদা Mancozeb অমসুং Zineb অনীমক কাপ্পা য়ারক্তবদগী অতোপ্পা হীদাক্লা মহুৎ শিনবা তারকই। Mancozeb কী চন্নফম য়াম্না লৈবা মরম্না Metalaxyll নৎত্রগা Carbendazim গা য়ান্নবা হীদাক মখল কয়া অমসু য়াম্না পাম্না শীজিন্নরিবনি। অদুবু চানদ্রে হায়রবা হীদাকশিং থাদোক্লগা চানবা শীজিন্নবা য়াবা হীদাকশিং শীজিন্নসি। হৱাই মখলশিংসিদা তাবা মরু ওইবা লায়নাশিংদি খামদেকপী (এন্থ্রাকনোজ), উৎমানবা মচুগা লোয়ননা মউ কাথেকপী (এসি ষ্টেম ব্লাইট), মফোলকাবী (পাউডরী মিলডিউ), কোহ্লিং কাবী (রষ্ট), মনা খামদেকপী (লীফ স্পোট) অমসুং মখোক লাঙবী (ৱেব ব্লাইট) মরু ওইবা লায়নাশিংনি।

খামদেকপী (এন্থ্রাকনোজ) ঃ লায়নাসি পাম্বীগী মনা, মউ অমসুং হৱাই মশামক্তা খামদেকপা দাগশিং লৈহল্লি। হৱাইদনা খরা হেন্না তাই। মপুং ফাদ্রিবা হৱাইগী অয়াম্বা মফমশিংদা মুরপ তৌবা দাগশিংগা লোয়ননা কুৎশিন্না লৈ। দাগকী মতাইশিং তোংলপ উই; লোয়ননা ময়ায় মক্তদনা উৎমানবা মচু ওইরপ চংই। লায়নাসিনা মরম ওইদুনা পোত্থোক হন্থহনবদা নত্তনা মমল কাহন্দে।

ঙাকথোক্নবা পাম্বেশিং ঃ লায়না চেল্লবা পাম্বীগী লেমখাকশিং পৈশিল্লগা মৈ থাদোক্কনি। হুল্লমদাইদা মরুশিংদু হীদাক তোৎহৌগনি। Captan নৎত্রগা Thiram নৎত্রগা Carbendazim গ্রাম অনী মরু কিলোগ্রাম খুদিংদা তোৎপীরগা মরূশিংদু হুনবীগনি।

মউ কাথেকপী (এ সি ষ্টেম ব্লাইট) ঃ পাম্বীনা য়াম্না পীক্লিঙৈদগী লায়নাসি নাবা হৌই। লায়না অসিসু পাম্বীগী মউদা তাই। উৎমানবা মচুগী কুৎতক তৌবা দাগশিংদা পাম্বীগী মখোঙৱাইদা নারম্বদগী মউ পূম্বা শীন থুংলকই। লায়নাসিনা পাম্বীশিংবু কংহল্লি।

ঙাকথোক্নবা পাম্বে ঃ মরূদা চেন্নরকপা লায়না মখলশিংগীদমক মরূদা হীদাক তোৎকনি। Captan নৎত্রগা Thiram নৎত্রগা Taqat (Hexaconazole+ Captan) শীজিন্নবা য়াই। হৱাই মখলসি তোয়না থারবা হিঙ্গোলদদি লায়নাসিবু তুংকোইনা শন্দোকপা ঙম্বা ইসক্লেরোটিয়াশিং লৈবাক্তা লৈহৌদুনা চহী খুদিংগী লায়নাসি থেংনৈ। ঈশিং ইনিল ৱাংনা চয়োল অহুম লৈরবদি ইসক্লেরোটিয়াশিং হিংবা ঙমদে। মরম অসিনা লৌ উনবা মফমদদি লায়নাসিগী চাং হন্থে। ঈশিং ইনিল ৱাৎপা, য়াম্না শাবা মতমদা লায়নাসি হেল্লি, ঈশিং চাং নাইনা চনবনা লায়না তাবা হন্থে।

মফোলকাবী (পাউডরি মিলডিউ) ঃ মনাদা অঙৌবা মফোল তৈবা মানবা দাগ মচা মচা লৈরম্বদগী মথং মথং শন্দোরক্তুনা মনা পূম্বা কুপশিল্লকই মথংদা মউ অমসু পাল্লিবা হৱাই পূম্বা কুপশিল্লকই। লায়নাসিনা পাম্বী অমসুং হৱাইবু চাওবা হেলহন্দে। কংশিলহল্লি।

ঙাকথোক্নবা পাম্বে ঃ লায়নাসি তাগন্দবা হৱাই মখলশিং থাবীবা য়াই। লায়না তারবা পাম্বীশিংদা Sulphur 80% WP গ্রাম ৩০ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়ানশিনবীরগা কাপ্পীগনি। নৎত্রগসু Myclobutanil 10 WP (Index) গ্রাম তরুক ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়ানবীরগা কাপথোকপীগনি। নুমিৎ ১৫নি কান্ননা অনীরকশুবা ওইনা অমুক হন্না কাপথোকপীবা য়াই।

কোহ্লিং কাবী (রষ্ট) ঃ মনাগী মখা থংবা শরুক্তা তোঙতক তৌবা কোনা মচুগী দাগশিং উরম্বদগী মউ অমসুং থরাক্তা মথং মথং শন্দোরকই। দাগশিংদুনা পোকখাইরবা মতুং কোহ্লিং মকুপ ময়াম অমা হুমদোরকপা মালহল্লি।

ঙাকথোক্নবা পাম্বে ঃ লায়নাসি নাগন্দবা হৱাই থাবা নত্তনা ঙাকথোকপা ৱাই। মতম অমগী Calaxin না লায়নাসিবু ঙাকথোকপা অমসুং কনবদা লায়হল্লবসু ঙসি ঙসিমক্তি মণিপুরদা ফংবা ৱাই। Carbendazim 50 WP গ্রাম অনী ঈশিং লিটর খুদিংদা য়ানবীরগা লায়নাসি শন্দাকপা হৌরকপদা কাপথোকপীগনি নৎত্রগসু Hexaconazole 5% মিলিটর ১৫ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়ানশিল্লগা কাপথোকপা য়াই। নুমিৎ ১০ কান্নরগা অমুক হন্না কাপথোকপীরবদি কান্নবা ফংই।

লীফ স্পোট ঃ অরিবা মনাশিংদা ঈশিং অশাবা চোংখিবা মানবা দাগশিং লৈরম্বদগী দাগশিং চাওবা হেল্লকপগা লোয়ননা ঙাঙশিল্লক্কনি মতুংদা কোনা মচু ওইরকই। দাগশিংগী মপান্দু উৎমানবা মচুগী লৈই অমনা কোইশিনবা মানগনি।

ঙাকথোক্নবা পাম্বে ঃ লায়না চেন্দবা অফবা মরূ থাবীগনি। অওন পোত্থা তৌবীরগসু কান্নবা পী। মথক্কী লায়নাশিং ঙাকথোক্নবা Carbendazim কাপথোকখিবনসু লায়না অসি মখা তানা শন্দোকপা ঙমহন্দে। নুমিৎ ১০ নি কান্ননা অনীরক কাপথোকপা কান্নে।

মখোক লংবী (ৱেব ব্লাইট) ঃ লায়না অসি পাম্বী মখল ২০০ গী মথক্তা লায়না থোকহনবা ঙম্বা রাইজোক্তোনিয়া সোলানি হায়না খঙনবা কোকফাই সুজানা থোকহনবনি। পাম্বীনা নৌরিঙৈদা লায়না অসিনা মখোঙদা চাথক্তুনা (Damping off) হাত্তোকই। পাম্বীনা চাওরক্লবা অমসুং মপাঙ্গল কল্লবা মতুংদদি পাম্বীবু হাত্তোকপা ঙমদ্রবসু লৈমায় মপাদগী হৌরগা অশাংবা কুৎতক তৌবা ঙাঙলি ঙাঙলি তৌবা দাগশিং উগনি। লায়নাসিনা পাম্বীগী পোত্থোক য়াম্না হন্থহল্লি।

ঙাকথোক্নবা পাম্বেশিং ঃ পাম্বীগী লেমখাকশিং মৈ থাদোক্কনি। অওন পোত্থা তৌগনি। Hexaconazole 5% মিলিলিটর অমা ঈশিং লিটর খুদিংদা য়াল্লগা কাপথোকপীগনি। পাম্বীনা নৌরিঙৈদা করি লায়না তারিবগে হায়দু খঙদোক্লগা চপ চাবা হিদাক শীজিন্নসি।

থমজনিংবা ৱাফমদি হীদাক কাপ্পগা হেকপগা নুমিৎ ১৫ দি শোয়দনা খেন্নহনসি। হীদাক্কী কান্নবসু লৌসি, হকচাংসু শোকহল্লোইসি; কাপ্লিবা হীদাকশিং পাম্বীগী ওইহনসি, মীওইবগী ওইহল্লোইসি ॥◀◀

সলাদ ওইনা চাবদা Lettuce

এস সুমঙ্গল সিংহ

সলাদ হায়বা ৱাহৈসি ঐখোয়গী লমদমসিদা লৈরিবা চহী তাঙ্কক খরগী মীওইদদি অনৌবা নৎত্রগা তাদ্রিবা ৱাহৈ ওইনা লৌখিবসু য়াই। মীওই খরগী ওইনদি অনৌবা ৱাহৈমক্তি ওইরল্লোই। মণিপুরী লোলমক্তি নত্তবা ৱাহৈগী ৱাহন্থোক শল্লপ্না পীবা ঙম্ব্রা য়েংসি। উহৈ অয়াম্বদি হিংনা অদুমক চাবা হায়বসি মহৌশানি। অদুবু মনা মশিংদি হিংনা চাবা হায়বসি মহৌশামক্তি নত্তে, থোংদোক্লগা চাবা হায়বসিনা মহৌশানি। অদুমকপু ঐখোয়গী লমদমসিদসু হিংনা চাবা হায়বসি ইপা ইপুশিংগী হাক্তক্তগী মনা মশিং খরগী ওইনদি অদুমক চৎনরকই। খুদম ওইনা ইরোম্বা, মোরোক মেৎপদা কোৎতুনা চাবা য়াম্নসু ফবা, চাক চঙবদা মতেং ওইবা মচল অমনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। মসিগী হৈনবী অসি খুঙ্গংগী লমদনা খরা হেন্না চৎনবগুমসু তৌই। শিংজু শুদুনা চাবগা হিংনা কোৎতুনা চাবগা চপ মান্নবমক নৎত্রবসু থৌওং অমগী মনুং চনবা ওইনা লৌবদা লাল্লোই খল্লি। হৌজিক্কী মতমদা ইমা ইবেনশিংনা ফম্বা হোটেলদা নৎত্রগা অচৌবা হোটেলশিংদসু কাঙহৌ বোরা চাবদা মনা মশিং - খুদম ওইনা কোবিফুল, মরোই মপাং অশোইবা মচল অমা ওইনা হাপ্পা অসি য়াম্না পাম্নবা অমসু ওইরক্লি। মণিপুরগী অশেংবা শিংজুসু অদু মঙাই ঙারি হাপ্পা নৎত্রগা হাপ্তবা অদুনা তোঙান্না থমখ্রগা চানবা মচলশিং পূনশিন্দুনা/য়ানশিন্নদুনা, থোইদিং-বেসোন অঙৌবা হাপ্তুনা, হিংনা, অহাওবা মথেল অমা ওইনা য়াম্না পাম্না চানবা অসি য়াম্না ফবা চিঞ্জাক অমসুনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই, য়াম্নসু ফবা মওং অমনি। তৌবতবু য়াম্না হায়জেনিক ওইবা মওংদা শীজিন্নবগী তঙাইফদবা অমদি মথৌ তাই।

মথক্তা পঞ্জরিবা হিংনা চাবা খুদিংমক অসিমক্লি সলাদ হায়রিবসি। হায়বদি মনা মশিং কয়াবু হিংনা মওং অমা নৎত্রগা অমদা শেম শাদুনা মথেল অমা ওইনা শীজিন্নববুনি সলাদ কৌনরিবসি। খুদম ওইনা থবী, খামেন অশিনবা, কোবিফুল, মোরোক অতেকপা, নুংশিৎ ইীদাক, ফদিগোম মনা, অচা থাউ, অতৈ অতৈ পূনমিন্নবদা চান্নবা মথেলশিং পূন্দুনা শেন্নবদি অদুমক সলাদ ওইরে। শেম শাবগী মওংদি লম লমগী খরা খরা অদুমক খেন্নবগী ৱানি।

ঙসিদি মণিপুরগী মীয়াম অয়াম্বনা খঙনবা খরা ৱাৎলিবা সলাদকী পাম্বী ওইনা য়াম্নদি মমিং লৈবা পাম্বী মখল 'lettuce' হায়রিবা, মণিপুরদা হঙ্গাম অঙৌবা, হঙ্গাম অথোৎপনচিংবা কৌনরিবা হকচাংদা কান্নরবা পাম্বী অসিগী মরমদা খরা খঙজিনমিন্নসি। Lettuce অসি ভিটামিন মিনরেল মরাং কায়না য়াওবা, চাবদা হাওবা, তুম্বদা ৱাদবা সলাদকী পাম্বী মখলনি। Lettuce কী চাবা য়াবা শরুক গ্রাম ১০০ দা য়াওবা হকচাংগী মচি ওইবা মচল খরদি ঃ প্রোটিন - ২.১ গ্রাম; ফেট - ০.৩ গ্রাম; ফাইবর - ০.৫ গ্রাম; কার্বোহাইদ্রেট - ২.৫ গ্রাম; ইনর্জি - ২.১ কিলো কেলোরি; কেলসিয়ম - ৫০ মিলিগ্রাম; ফোসফরস - ২৮ মিলিগ্রাম; আইরন - ২.৪ মিলিগ্রাম; কেরোটিন - ৯৯০ মাইক্রোগ্রাম; থিমিন - ০.০৯ মিলিগ্রাম; রিবোফ্লেভিন - ০.১৩ মিলিগ্রাম; নিয়াসিন - ০.৫ মিলিগ্রাম; ভিটামিন সি - ১০ মিলিগ্রামনি।

Lettuce কী কাঙলুপ্তা খরা খরা খেন্নবা মখল কয়া লৈ। কনা কনাগুম্বনা পাম্বী কাঙলুপ অসিবু পাম্বীগী মওংগী মতুং ইন্না মখল কয়া থোক্না খাইদোকপীরম্মী। খুদম খরা য়েংসি।

১. Head type : কোবিফুলগুম মতুম তাশিল্লি। মসিবু অনী থোক্না অমুক খাইদোকপীরম্মী।

এ) বট্টর হেদ টাইপ - কাঙলুপ অসিদি পীক্তক্লা কোমগোম্না (য়াম্না কন্না তাশিনদবা) মখলনি। মপান থংবা মনাশিংগী মচু অশঙবা ওই, মনুং থংবা মনাশিং বট্টর মচু ওইরপ নাপু চঙই। হেক্লগা মতম শাংনা থম্বা খুদোং চাদে।

বি) Crisp head type : মখল অসিদি নোর্থ অমেরিকা অমদি য়ুরোপ লৈবাকশিংদা নীংথিনা থানবা মখলনি। কোবিফুলগুম নীংথিনা তাশিনবা, মথক্কী মখলদগী চাওবা হেনবা, কিলো অমফাওবা লূম্বা, চাবদা উইদবা হায়বদি প্রেক-প্রেক লাওবা মখলনি। মতম খরা শাংনা থম্বগী খুদোংচাবা মখলনি। মপান থংবা মনানা অশঙবা মচু ওই, মনুং থংবশিংগী মচুদি বট্টর মচু ওইবগা লোয়ননা থোৎ-থোৎ লাওনা হাওবা মখলনি।

২) Leafy or Bunching type : মখোয় অসিদি মতুম তাশিনদবা হঙ্গামগুম মনা চরানা নেমতক্না পানবা মখলশিংনি। ফোটোদা য়াওরিবা অসিমকনি। মনাদি য়াম্না পানা শাংবদগী অঙাঙবা ফাওবা লৈ। ইন্দিয়াদসু মখল অসি থানৈ। মণিপুরদা কনাগুম্বনা থাবা থেংনরে। কৈথেলদসু উবা ফংলে। হৌজিক্তি মনা মরাং মরাংবা হায়বদি অঙাংবা, অশঙবা মচু অনী য়ানশিন্নবা কয়া অমসু লৈরে।

৩) Cos or Romani type : পাম্বী মখল অসিদি ফুটমুক ৱাংবা, মরু চুম্না কাবা, মনাশিং হঙ্গামগী মতৌগুম শাংতক-শাংতকপগা লোয়ননা থাতক্লা পানবা মখলনি। শাংতক্লা য়ুংনা মতুম তাশিনবা মখলনি।

৪) Asparagus or Stem type : মখল অসিবু celery lettuce হায়রগসু খঙনৈ। মরু চাওনা পানবা, মকু খোল্লগা হিংনা নৎত্রগা থোংদুনা চানবা মখলনি। মনাগী মগুনদি অতৈদগী খরা হন্থনা লৌনৈ অদুবু হৈনবা কাঙবুনা অদুমক চাবদা কায়দবা মখলনি।

মথক্তা থমজরিবশিং অসিগী অমুক তোঙান তোঙানবা ভেরাইটি কয়া অমসু লৈখ্রে।

অইং অশা ঃ

অয়াম্বা মতমদা lettuce মখলশিং অসি অইংবা মতমদা পক্লবা পাম্বীনি। অশাবগী চাং ১২-১৫° সেলসিয়স ওইবা মতমদনা খ্বাইদগী চান্নে/পক্লে। অশাবা অসি ২২-৩০° সেলসিয়সতগী হেল্লবদি মরুশিং হৌবা ঙমদে। ২২° সেলসিয়সতগী হেনবা মতমদা মপান শারক্কনি, মনাশিংগী মহাওসু খারক্কনি। অশাবা অমদি নোং য়াম্না চুবা মতমদা মনা মতোন কংশিনবা অমদি পৎপা-পূম্বা থেংনগনি।

লৈবাক লৈহাও ঃ

য়াম্না শিনবা মফমদা হৌবা ঙমদে। p^H 5.8-6.6 খ্বাইদগী চান্নবা চাংনি। হায়বদি মণিপুরগী লৈহাওদসু অদুমক থাবদা নিংথিনা হৌবা ঙমগনি, ফোলি তাবা, ঈশিং তুংশিন্দুনা লৈতবা মফমদা lettuce থাবা পক্লে। lettuce মরু য়াম্না কুপ্পা মরম্না লৈবাক মমুৎ তানা খোইবা চঙই, লোয়ননা লৈতেম মান্ননবা উকাই তকশিন্দুনা লৈবাক খরা নমশিনবীবা মথৌ তাই।

হার হাপ্পা ঃ

লৈনুংদা মরা লুনা চত্তবা পাম্বী ওইবনা খরা লুথনা লৈবা মচিঞ্জাক ফংবা ঙমদে, মরম অদুনা হার খরা নিংথিনা হাপ্পীবা তঙাইফদে। শঙমগী চাংদা নিংথিনা পথরবা শম্থি ষণয়ুংগী হার ষণ গাড়ী মপোৎ ৬-৭ থাগদবা থা মখায় ৱাৎলিঙৈদা লৌফমদা মমুৎ তানা খোইজিনহৌবা ফৈ। লোয়ননা শঙমদা য়ুরিয়া কিলো ৩২, সুপর হায়না কৌনবা ফোসফরসকী হার এস এস পি কিলো ৫০, পোটাসকী হার (এম ও পি) কিলো ১৫-১৭ হাপ্পা মথৌ তাই।

য়ুরিয়াগী হার অসি অপূনবগী তঙ্খায়, এস এস পি পূম্না, এম ও পি শরুক অহুম থোকপগী অনী অরোইবা খোইবদা খোইজিনহৌগনি। মতুংদা থা ফারকপদা লেমহৌরিবা হারশিং পাম্বী মখোঙদা চেকশিন্না পোইন্ট এপ্লিকেসন/লোকেল এপ্লিকেসন ওইনা হাপ্পীগনি।

মরুগী চাং ঃ শঙম অমদা গ্রাম ৪০০-৫০০ চঙগনি।

থাবগী মতম ঃ

সেপ্টেম্বর-ওক্টোবর থাদা মরু হুনবা নৎত্রগা দাইরেক্ট সীদ ওইনা হুনবা অদুমক য়ারে। নবেম্বর থাদসু অদুমক থাবা য়াই।◀◀